AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 504

# সাইটোমেগালোভাইরস (সিএমভি)

## সিএমভি (CMV) হায়বসি করিনো?

সাইটোমেগালোভাইরস (সিএমভি) হায়বসি হকচাংগী অচেংবা মতম য়েংদুনা নারকপা লায়না অমনি। হায়রিবা ভাইরস অসি য়াম্না লায়না ফংই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ৫০ দগী ৮৫ ফাওবনা চহী ৪০ শুরকপা মতমদা সিএমভি পোজিটিব ওই। য়াম্না ফবা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গলগী ফিভমনদি হায়রিবা ভাইরস অসি নমথদুনা থম্না ঙমই।

হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোত্থরকপা মতমদদি হায়রিবা সিএমভি অসিনা হকচাংগী শরুক কয়াদা লান্দাবা ঙমই। মসি ঐচআইভি য়াওনা লায়না মখল কয়ানা থোকহল্লি। কম্বীনেসন এন্টিরেট্রোভাইরেল থেরাপি (এআরটি) শিজিন্নবনা ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংদা সিএমভিগী চাং অসি চাদা ৭৫ লোম হন্থহনবা ঙম্মী। অদুবু হায়রিবা মীওইশিং অসিগী চাদা ৫দি সিএমভিগী লায়না অসি অদুমক নাই।

সিএমভিনা খ্বাইদগী হেন্না নাহনবা লায়নাদি রেটিনাইটিস অসিনি। মসিনা মীৎকি রেটিনাদা লৈবা সেলশিং অদু শিববু খঙনৈ। করিগুম্বা লায়েংবীদ্রবদি য়াম্না থুনা মীৎ তাঙবা য়াই। সিএমভিনা হকচাংগী মফম খুদিংমক্তা শত্নে দাকখিদুনা কয়াৎ ময়াম্বু অমুক্তদা পুল্লপ শোকহনবা ঙম্মী। সিডিফোর সেলগী মশীং অসি ৫০গী মখাদা লৈরবদি সিএমভিনা নাবগী চাং খ্বাইদগী হেল্লি। সেডিফোর সেল মশীং১০০ নৎত্রগা হেনবা মীওইশিংদদি মসি তাঙনা থোকই।

কোয়রেং লেঙবা অমুবা মপাকশিং উবগুম্বা মীৎকি নুংঙাইতবশিংনা সিএমভিনা থোকহনবা রেটিনাইটিসকি অহানবা খুদমশিংনি। মসিবু ‘ফ্লোটর্স’ (‘floaters’) হায়না খঙনৈ। মসিনা রেতিনাদা অনাবা অমা লৈরে হায়বা উৎলি। অঙানবা মঙাল, চাং হন্থনা নৎত্রগা শোয়না উবা নৎত্রগা ব্লাইন্ড স্পোটস হায়বদি পোৎশক অমা য়েংবদা মচেৎ-মচেৎ মম্বনচিংবা অনাবশিংনা থেংনবা য়াই। সিএমভি রেটিনাইটিস (CMV রেটিনিটিস)না নারে হায়বা খঙদোক্লবা ডোক্টরশিংনা মীৎ য়েংথোক্লবা ৰাফম পীরি। চাংয়েংশিং অদু ওপথালমোলোজিষ্ট হায়বদি মীৎকি ডোক্টর অমদা তৌহনগদবনি। সিডিফোর কাউন্টনা ১০০গী মখাদা লৈরবা অমসুং মীৎকি ওইবা নুংঙাইতবা লৈবা তারবদি অদোমগী লায়েং পীবীরিবা অদুগা খুদক্তা তানবীয়ু।

এআরটি থাবা হৌবদা ঙায়রিবা অনাবশিংদদি মমীৎ য়াম্না শোকচিন্দুনা উরক্তবা ফাওবা য়াই। মসিবু ঐখোয়না ইম্যুন রেষ্টোরেসন সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ (ফেক্ট সীট ৪৭৩ নৈনবীয়ু)

হন্দক্তা নৌনা ফোংঙবা থিজিন ৰারোল অমদা সিএমভিনা মপাঙ্গল কনবা অতোপ্পা মীওইশিংদা ঐচআইভি শন্দোকপদা হেন্না লায়হল্লি হায়রি।

করিগুম্বা অদোমদা সিএমভি অসি চঙথ্রবদি মহীক অসিনা থোকহনবা লায়নাগী লাইওং অমত্তা লৈত্রবা ফাওবদা ইনফ্লেমেসন থোকহনবা য়াই। হায়রিবা মহীক অসি ইচম-চম্না হনুরকপা মতমদা মীওই কয়াদা অমুক ফোংঙদোক্লকই। লাইওং উখোক্ত্রবসু ইনফ্লেমেসনগী চাং হন্থনবা CMV শোয়দনা লাইয়েংনবা ৰারোল পীরি।

## সিএমভি করম্না লায়েংগদগে?

সিএমভিগী অহানবা লায়েংদি নুমীৎ খুদিংগী লেপ্তনা শিংলিদা হীদাক কাপ্পা অসিনি। অনাবা মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী থবাক নৎত্রগা পাম্বোমদা লেঙদবা মেডিকেসন ‘পোর্ট’ হায়বদি হীদাক কাপফম অমা শেন্নগা থম্মী। এন্টি সিএমভি ড্রগস হায়বদি CMV দগী ঙাকথোক্লবা হীদাকশিং অসি পুন্সি চুপ্পগী শিজিন্নৈ। চৎখিবা চহি খরা অসিদা সিএমভিগী লায়েং অসি য়াম্না ফগৎলক্লে। FDAনা চৎনবা য়ারে হায়না খঙদোক্লবা সিএমভি লায়েংবগী মখল তরেৎ লৈরে।

য়াম্না কনবা এন্টিরেট্রোভাইরেল (এআরভি)শিংনা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গলবু হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা অনাবা অদুগী সিডিফোর কাউন্ট অদু ১০০ দগী ১৫০ ফাওবা য়ৌখ্রবা অমসুং থা অহুমলোম মশীং অসি লেঙদ্রবদি সিএমভিগী হীদাক চাবা লেপ্পা য়াই। অদুবু অখন্নবা ফিভম অনি লৈ। মখোয় অদুদি :

১) ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিং অদুনা সিএমভি হান্না থেংনখিদ্রবসু ইম্যুন রেষ্টোরেসন সিন্দ্রোম হায়বা অসিনা মীৎ অদু য়াম্না শাথীনা শোকহনবা য়াই। চথরিবা লায়েংদি অনাবা অদুগী এআরভি অদুদা এন্টি সিএমভি হীদাকশিং অসি হাপচিনবনি।

২) করিগুম্বা সিডিফোর কাউন্ট অদুনা ৫০গী মখাদা হায়থখ্রবদি সিএমভি লায়না নারকপগী ফিভম হেন্না লৈ।

## সিএমভি অসি ঙাকথোকপা য়াগদ্রা?

গান্সিক্লোভির (Glanciclovir) অসি সিএমভি ঙাকথোক্লবগী খনগৎলক্লবা হীদাক অমনি। অদুবু লায়েং পীবিরিবা মীওইশিংনা মসি কয়া শিজিন্নবা হায়বীদে। নোংমদা কেপস্যুল ১২ চাহনবা মখোয়না পাল্লমদে। মসিগী মথক্তা হীদাক অদু ফরিব্রা হায়বসু অশেংবা খঙদে। য়াম্না চাউনা থিজিনবা অমগী ফল খেন্না লাকখি। অরোয়বদা এআরভি অকনবশিংনা মীওই অয়াম্বগী সিডিফোর কাউন্টবু য়াম্না ৰাংনা থমদুনা সিএমভিনা শোকহন্দবা ঙমই হায়বসিদা য়ানরে।

সিএমভি লায়েংবগী মখল অমা ঐনা

করম্না খঙগনি?

সিএমভিগী লায়েং পথাপ অমা খনবা মতমদা য়েংশিনগদবা ৱাফম কয়া লৈ। মখোয় অদুদি :

<u>অদোমগী মীৎ শোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈব্রা?</u> মীৎ তাঙবদগী কন্ননবা অদোম্না য়াম্না থুনা থবক পায়খৎপীগদবনি।

<u>লায়েং অদু কয়া য়াম্না চৎনবা য়াবগে?</u> শিংলিদা গানসিক্লোভর কাপ্পা অসিনা খ্বাইদগী কান্নবা সিএমভি লায়েং মখলনি। মীৎকি অতোপ্পা হাপচিনবনা (ইমপ্লান্ট তৌবনা) রেটিনাইটিস ঙাকথোকপা য়াম্না ঙম্মী। অদুবু হায়রিবা লায়েং অসি ইমপ্লান তৌরিবা মীৎ অদুখক্তদা কান্নবা পী।

<u>হীদাক অদু করম্বা মওংদা শিজিন্নগদগে?</u> গুলি ওইনা চাবনা খ্বাইদগী অরায়বা ওইরে। শিংলিদা হীদাক কাপ্পদা য়েৎতুম শিজিন্নবা নৎত্রগা মেডিকেসন মরী অমা দরকার লৈ। মসিদা অতোপ্পা মহীক পল্লকপা য়াই। ওকুলর ইনজেক্সন (Ocular injection) হায়বসিনা মীৎতা য়েৎতুম অমা থিঞ্জিন্দুনা হীদাক কাপ্পা অদুনি। থা তরুক্তগী নিপাল ফাওবা চৎকদবা ইমপ্লান্ট হাপ্পদা পূং অমমুক চঙই।

<u>লায়েং অসি লোকেল (মফম অদুদংদা) নৎত্রগা সিষ্টেমিক (হকচাংগী অতোপ্পা শরুকশিংদা) ওইবরা?</u> লোকেল থেরাপিনা মীৎ খক্তংদা শোকহল্লি। সিএমভি রেটিনাইটিস অসি য়াম্না থুনা শন্দোকখিদুনা মীৎ তাঙবা ফাওবা য়াই। মরম অসিনা হেক হৌরকপদা য়াম্না চেকশিন্না লায়েংগদবনি। অনৌবা ইনজেক্সন নৎত্রগা ইমপ্লান- টশিংনা হীদাক অদু মীৎ মনুংদা হাপচিনবা ওইবনা রেটিনিটিস নাবদা য়াম্না কান্নবা পি।

সিএমভি অসি হকচাংগী অতোপ্পা শরুকশিংদা উৎথোক্লকপা য়াই। হকচাংগী অতোপ্পা শরুকশিংদা সিএমভি থিংননবগীদমক অদোম্না হকচাং পূম্বগী ওইনা হীদাক (সিষ্টেমিক থিরাপি) থাবা দরকার লৈ। ভালগানসিক্লোভির (Valganciclovir) গুলি নৎত্রগা শিংলিদা কাপ্পা হীদাকশিংসু শিজিন্নবা য়াই।

<u>সাইড ইফেক্টশিংদি করিনো?</u> সিএমভিগী হীদাক খরদি অদোমগী বোন মেরো নৎত্রগা কিডনি শোকহল্লকপা য়াই। মসি অহেনবা হীদাক দরকার লৈ। মহী ওইনা কাপ্পা দরকার লৈবা হীদাকশিংদি য়াম্না কুইনা চঙগনি। সিএমভিগী লায়েং অমগী সাইড ইফেক্টশিং অদু অদোমগী লায়েং পীবিরিবা মীওই অদুগা তানবীয়ু।

<u>চৎন-পথাপশিংনদি করি হায়রি?</u> হন্দক্তা চৎন-পথাপ কয়ামরুম্না বালগানসিক্লোভির অসিবু মীৎ উবগী খুদোং থীনিংঙাই ওইদ্রিবা অনাবশিংনা পাম্ন রবা লায়েং মখল ওইনবা ৱারোল পীরি।

অরোয়বা ৱারোল

ময়াক কনবা এআরভিশিংনা সিএমভিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফবা লম্বী ওইরি। করিগুম্বা অদোমগী সিডিফোর কাউন্ট অদু ১০০গী মখা ওইরবদি অদোম্বু লায়েংবীরিবা মীওই অদুগা ৱারী শান্নবীয়ু অমসুং চাং নাইনা মীৎকি চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। অদুগা অদোমগী সিডিফোর কাউন্ট অদু য়াম্না নেম্লবা অমসুং হান্নগা মান্নদবা মওংদা মীৎ নুংঙাইরক্ত্রবদি অদোমবু লায়েংবীরিবা মী অদুগা খুদক্তা উনবীয়ু।

মীৎ অদু হকথেংননা লায়েংবনা সিএমভি রেটিনাইটিস ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। অনৌবা থোরক্লিবা হীদাকশিং অসি শিজিন্নদুনা অদোম্না মেডিকেসন লাইন ইমপ্লান্ট তৌবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী হীদাক কাপ্তবা য়াই।

এআরভি শিজিন্নবা মতমদা সিডিফোর কাউন্ট অদুনা ১০০দগী ১৫০ ফাওবদা লৈহনবা ঙম্লবদি সিএমভিগী হীদাকশিং শিজিন্নবা তোকপা য়াই।

*Reviewed August 4, 2010*